# পি ভি সিন্ধু, সাইনা, শ্রীকান্থ, সাট প্রনিথনা ওষ্ট্রেলিয়া ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে





সিদনি, জুন ২১ :

হন্দক্তা ইন্দোনেসিয়া ওপনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা কিদম্বি শ্রীকান্থ অমসুং টাইটল হোল্ডর সাইনা নেহৱালনা মফম অসিদা চথরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন সুপর সেরিজগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীখিদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধু অমসুং সিঙ্গাপুর ওপনগী চেম্পিয়ন বি সাই প্রনিথসু ওপন অসিগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। অদুগা জেইন্ট স্লায়র ঐচ এস প্রানোয় য়াওনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সিঙ্গলস প্লেয়র মরিনা মায়থীদুনা লৈহৌখ্রে।

কিদম্বি শ্রীকান্থনা মহাক্কী লৈরিবা মায় পাকপগী খোঙচৎ অদু মখা তানা চঙশিনখিদুনা চাইনিজ টাইপৈগী কান চাও য়ুবু মেন'স সিঙ্গলসগী ওপনিং রাউন্দদা ২১-১৩, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি। অদুগা সাই প্রনিথনা ইন্দোনেসিয়াগী তোম্মি সুগিয়ার্টোবু ১০-২১, ২১-১২, ২১-১০ দা মায়থীবা পীদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখি।

শ্রীকান্থনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা টোপ সিদ কোরিয়াগী সোন ৱান হোগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবনি। অদুগা সাই প্রনিথনা মথং রাউন্দদা চিনাগী হুৱাং য়ুজিয়াংগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা সাইনা নেহৱালনা কোরিয়াগী মরি শুবা সিদ সুং জি হয়ুনগা অকনবা লম্বা তৌনখ্রবা মতুং হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অসিনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মায়োক্লখিবা লম্বাবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১-১০, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। অনীশুবা রাউন্দ মেচতা সাইনা নেহৱালনা মলেসিয়াগী সোনিয়া চিহগা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবনি।

ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়া সুপর সেরিজ প্রেমিয়রগী চেম্পিয়ন জপানগী সায়াকা সাটোবু ২১-১৭, ১৪-২১, ২১-১৮ দা পুং অমগা মিনিট মঙা চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

মঙাশুবা সিদেদ ইন্দিয়ন অসিনা মথংগী মেচতা চিনাগী চেন জিয়াওজিনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

চিনাগী চেন জিয়াওজিনা অতোপ্পা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী রুথভিকা সিভানি গাদ্দেবু ২১-১৭, ১২-২১, ২১-১২ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাং চাউশিনখিবনি। ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলসকী অস্বিনি পোনাপ্পা অমদি এন সিকিক রেদিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী হসুআন য়ু ৱেন্দি চেন অমদি জেনিফর টামবু ২১-১১, ২১-১৩দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নহা ওইরিবা দবলস জুরা সাটৱিকসাইরাজ রেঙ্কিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টিনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা হোং কোংগী কোম্বো লো চ্যুক হিম অমদি লি চুন হৈ রেগিনাল্ডবু ২০-২২, ২১-১৯, ২১-১১ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা ইন্দোনেসিয়া ওপনগী সেমি ফাইনেলিষ্ট ঐচ এস প্রনোয়, অজয় জয়ারাম, পারুপলি কেসয়প অমদি সিরিল ভর্ম্মনা মেন'স সিঙ্গলসকী মখোয় মখোয়গী মেচশিংদা মায়থীদুনা লৈহৌখি।


তরেৎশুবা সিদ হোং কোংগী এন জি কা লোং এঙ্গসনা জেরামবু ১৪-২১, ২১-১০, ২১-৯ দা মায়থীবা পীরমখি।

মশাগী অশোকপা লৈবদগী মতম খরা শান্নরুদ্রবা মতুং কোর্টতা হল্লকখিবা কেসয়পনা কোরিয়াগী সোন ৱান হোগী মখূৎতা ১৮-২১, ২১-১৪, ১৫-২১ দা মায়থীহৌখি। মেচ অদু পুং অমা চুপ্পা শান্নখিবনি। নহা ওইরিবা সিরিল ভর্ম্মনা দেনমার্ককী হান্স-কৃষ্টিয়ান সোলবার্গ ভিট্টিঘসকী মখূৎতা ১৬-২১, ৮-২১দা অদুগা প্রনোয়না ইংলেন্দগী রজিভ ওসেফকী মখূৎতা ১৯-২১, ১৩-২১ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

মেন'স দবলসকী জুরা ফ্রান্সিস অলৱিন অমদি তরুন কোনানা ইন্দোনেসিয়ন-মালেসিয়াগী অপূনবা জুরা হেন্দ্রা সেটিয়াৱান অমদি বুন হিওঙ তানগী মখূৎতা ১৭-২১, ১৫-২১ দা মায়থীহৌখি। মানু আত্রি অমদি বি সুম্মিট রেদ্দিনা অহুমশুবা সিদ জপানগী তাকেসি কামুরা অমদি কৈগো সোনোদাগী মখূৎতা ২০-২২, ৬-২১ দা মায়থীহৌখি।

মিক্স দবলসতা নৌনা জুরা শেমখিবা ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ রাঙ্কিরেদ্দি অমসি অস্বিনি পোনাপ্পানা হোং কোংগী কোম্বো লি চুন হৈ রেগিনাল্ড অমদি চৌ হোয় ৱাহগী মখূৎতা ১৩-২১, ১৭-২১ দা মায়থীহৌখি।

# বোক্সর মেরি কোমনা উলানবাটার কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ২১ :

ৱর্ল্ড চেম্পিয়প মঙারক ওইখ্রবী এম সি মেরি কোম (কেজি ৫১) না মোগোলিয়াগী উলানবাটারদা চথরিবা উলানবাটার কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অহৌবা নুমিত্তা শান্নগদবা বাউট অদু বাই ফংখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

চহী অমরোম কম্পিটিটিভ এক্সন্দা য়াওরুদ্রবা মতুং হন্দক্তা নৌনা রিংদা হল্লখিবী মেরি কোমনা শগোলশেন নুমিত্তা শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা রসিয়াগী অন্না এদমা অমদি কোরিয়াগী চোল মি বাং অনীগী মরক্তা মায় পাকপা অদুগা মায়োক্লদুনা থিন্নগনি।

ষ্ট্রান্দজা মেমোরিএলগী সিলভর মেদলিষ্ট মোহমেদ হুসামুদ্দিন (কেজি ৫৬) অমসুং কিং'স কপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট রোহিট তোকাস (কেজি ৬৪) না মেন'স দ্রোদা মায় পাকখ্রবশিংগী মরক্তা য়াওবা ঙমখি।

হুসামুদ্দিননা মহাক্কী বাউট অদুদা কির্গিজষ্টানগী অলমানবেদ অলিবেকোভপু মায়থীবা পীখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না শগোলশেন নুমিত্তা শান্নগদৌরিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা চিনাগী মা জিন মিংগা লম্বা তৌদুনা মায়োক্লগনি। রোহিটনা রসিয়াগী দোর্জো দাখাভপু মায়থীবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা মোঙ্গোলিয়াগী চিন জোরিগ বাটালর্সুখকা লম্বা তৌনদুনা থিন্নগনি।

অমরোমদা জাইদিপ (কেজি ৭৫) না মহাক্কী ওপনিং বাউটতা চিনাগী ঝান চাউ ফেংগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

কম্মনৱেলথ গেমস অমদি এসিয়ন চেম্পিয়নসিপকী সিলভর মেদলিষ্ট লাইশ্রম দেবেন্দ্রো সিংহ (কেজি ৫২), কিং'স কপকী গোল্ড মেদলিষ্ট কে শ্যামকুমার (কেজি ৪৯) অমসুং এসিয়ন য়ুথকী সিলভর মেদলিষ্ট অঙ্কুস দাহিয়া (কেজি ৫৪) না মখোয় মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী বাউটশিং বাই ফংখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

এল দেবেন্দ্রো মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা রসিয়াগী য়ুসুপোভ দিমিট্রি, অদুগা শ্যামকুমারনা মোঙ্গোলিয়াগী ইনখামান্দাখ খারখুগা মখোয়গী লাষ্ট আইট ষ্টেজদা থিনগাইনগনি।

অঙ্কুসসু মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর অমগা মায়োক্লদুনা লম্বা তৌনগনি। দোর্য়োধন সিংহ (কেজি ৬৯) সু ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না লাষ্ট আইট ষ্টেজদা মোঙ্গোলিয়াগী বায়ম্বা ইর্দেনে ওটগোনবাটারগা লম্বা তৌনগনি।

নুপীগী দ্রোগী অহানবা রাউন্দদা প্রিয়াঙ্কা চৌধুরি (কেজি ৬০) না মোঙ্গোলিয়াগী বোলোর্টুল টুমুরখুয়াগকা অদুগা কালৱান্টি (কেজি ৭৫) না চিনাগী হৌও রন হূইগা লম্বা তৌদুনা থিন্নগনি।

# চিনানা কুমজা ২০৩০ নত্রগা ২০৩৪ দা ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইনিংলি



জুরিক, জুন ২১ :

ফুটবোল মশান্নগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী প্রসিদেন্ট গিয়ানি ইনফান্টিনোনা বৈজিংদা চৎখিবা খোঙচৎ অমদা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগা উনখিবদা লৈবাক অসিনা ফুটবোল মশান্নগী ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখ্রে হায়না ফিফাগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

ফুটবোলবু পামজবা চিনাগী প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি, লৈবাক অসিদা ফুটবোল চাউখৎহন্নবগীদমক শান্নরোয়শিংনা হনবা লৈতনা হোৎনগদবনি। শান্নরোয়শিংগী হোৎনজমন অদুনা লৈবাক অসিনা ফুটবোল ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইবা ঙম্লবদি ৱর্ল্ড কপ অসিবু য়ুম্বু ওইনবগী মঙলিবা মঙলান অসি শোয়দনা মঙফাওনবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মালেমগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক অমা ওইরিবা চিনানা হৌখিবা চহী খরা অসিদা শান্নখোৎনবদা য়াম্লবা শেনফমশিং থাদদুনা স্পোর্টর্স দিসিপ্লিন কয়া চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা নত্তনা মতিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা হোৎনরিবনি। লৈবাক অসিনা হোৎনরিবা অসিগী মনুং চন্না ফুটবোল মশান্নগীদমক ফোরেন কোচ কয়া ৱায়দুনা শান্নরোয়শিংবু ট্রেন তৌহনবগা লোয়ননা লোকেল লীগ কয়া লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

ফিফাগী চেরোল অদুনা হায়, চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অমদি ফিফা প্রসিদেন্ট ইনফান্টিনো অনীনা উনখিবা অদু চিনাদা ফুটবোল মশান্নবু হেন্না চাউখৎহন্নবা অমদি মসিগীদমক লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টনা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা খন্নখি। মসিদা নত্তনা প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা মপুক্লিংদা খঞ্জরিবা ৱাফমশিংসু ইনফান্টিনোদা খঙহনখি অমদি চিনাগী মীয়ামনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইনবগী মঙজরকখিবা মঙলান অদুসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা লৈবাক অসিনা নোংমদি ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইবা ঙম্লকখিগনি হায়বগী থাজবা অদু থমখি হায়রি।

ওইরক্লিবা হীরম অসিগী মতাংদা চিনাগী মেদিয়াদা ৱাফম অমত্তা হৌজিক ফাওবা ফোঙদোকপা তৌদ্রি। মসি কম্যুনিষ্ট লৈবাক অসিনা পাউ অমা মীয়ামদা ফোঙদোকপগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না মোনিটর তৌবা মথৌ তাবনা খুদক্তা ফোঙদোক্তবনি হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি।

চিনানা লাক্লিবা কুমজা ২০৩০ নত্রগা কুমজা ২০৩৪ দা ফিফা ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইনবগী বিদ তৌগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরক্লি। ফিফা রেঙ্কিংদা ৮২শুবা মফমদা লৈরিবা লৈবাক অসিনা কুমজা ২০০২ দা সাউথ কোরিয়া অমদি জপানদা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। মদুদা চিনানা ফংখিবা গ্রুপ মেচ অহুমক্তা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অদুদগী য়াম্না ঙননা ময়ুম মায়কৈ পাংখিবনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুগী মতুং তারকপদগী হৌজিক ফাওবা ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লাক্লি।

# অফঘানিষ্টাননা পাকিষ্টানগা ক্রিকেট মেচ অমত্তা শান্নররোই





কাবুল, জুন ২১ :

হন্দক্তা কাবুলগী দিপ্লোমেটিক ক্বাটর অমদা ট্রক বোম অমা পোকখায়হন্দুনা মীওই ৯০ শিখিবা অমদি মীওই কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অদুবু ইস্লামাবাদনা মতেং পাংবা মিলিটেন্ট গ্রুপনা থোকহনখিবনি হায়না অফঘানিষ্টান ইন্টেলিজেন্স এজেন্সিনা মরাল শিখ্রবা মতুং লৈবাক অসিনা পাকিষ্টানগা শান্নগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা ক্রিকেট মেচ (হোম এন্দ অৱে) পুম্নমক ককথৎখ্রে।

পাকিষ্টান অমদি অফঘানিষ্টান অনীগী মরক্তা য়েৎনদুনা লাক্লিবা ঙমখৈগী উংখৎনবা ৱাথোক অমদি প্রোক্সি ৱারফেয়ারগী মরাল শিনরিবা পুম্নমক য়াশিন্নবা ফীভম অমদা পুরক্লবা তাঙনা ফংবা খুদোংচাবা অমদা পাকিষ্টাননা চহী অসিগী তংখায় চল্লকপা শরুক্তা অহানবা ওইনা কাবুলদা টি-২০ মেচশিং শান্ননবা থৌরাং তৌরমখি। জুলাই নত্রগা ওগষ্ট থাদা কাবুলদা শান্ননবা থৌরাং তৌরম্বা মেচশিং অদু লোইরবা মতুং পাকিষ্টানদসু অমুক শান্নবদা নত্তনা অকক্লবা মতম লেপত্রিবা ক্রিকেট সেরিজ অমসু লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা শান্ননবা থৌরাং তৌরিবনি।

কাবুলগী দিপ্লোমেটিক ক্বার্টরদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুগী মতুংদা অফঘানিষ্টান ক্রিকেট বোর্দনা থোকখিবা চেরোল অমদা পাকিষ্টানগা শান্নগদবা মেচশিং তোক্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অফঘান ক্রিকেট বোর্দনা মসিগী ফেসবুক পেজদা থাগৎলকখিবা ৱারোলদা হায়, অফঘানিষ্টান ক্রিকেট বোর্দনা পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দকা লৈবাক অনীগী মরক্তা ক্রিকেট মেচশিং শান্ননবগী মতাংদা য়ানখিবা পূম্নমক ককথৎলে। টেরোরিষ্টশিং য়োকখৎতুনা থম্বা লৈবাক অমগা ফ্রেন্দলি মেচশিং শান্নবা অমদি অফবা মরী শেমগৎপা হায়বসি য়াবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

কাবুল এটেক অদু মমাঙদা পাকিষ্টান মিলিটরিগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোক্লখ্রবা মতুং টালিবানগী এলাই হক্কানি নেটৱাকনা পাঙথোকপনি হায়না অফঘানিষ্টানগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সিনা মরাল শিখি অমদি থৌদোক অদুনা পাকিষ্টান ক্রিকেটরশিংবু রিজন অদুদা হান্নদগী হেন্না অমুক্কা তোখায় তাহল্লে। কুমজা ২০০৮ দা থোকখিবা মুম্বাই টেরর এটেক মতুংদগী ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগা লৈবাক অনীগী মরক্তা ক্রিকেট সেরিজ অমত্তা শান্নদনা লাক্লিবনি।


দিপাটমেন্ট ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱর্মেন্ট
(মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱর্মেন্ট)
প্রপোজল কৌজরি

দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱর্মেন্টনা ক্বালিফাই ওইবা ওর্গনাইজেসনশিংদগী ইন্দিয়াদা লৈরিবা ইন্টিগ্রেটেদ রিহাবিলিটেসন সেন্টরশিং, ওল্ড এজ হোমশিং অমসুং দে ক্যের সেন্টরশিংগী থবক মতৌগী ইভাল্যুএসন ষ্টদি পাঙথোক্লবা থেংলবদা জুলাই ১২, ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা ঈ-টেন্দর কৌজরি। অকুপ্পশিংগীদমক্তা সিপিপিশিংগী ৱেবসাইট https://eprocure.gov.in/eprocure/app অমসুং মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটশিং: socialjustice.nic.in, nskfdc.nic.in nbcfdc.nic.in অমসুং nsfdc.nic.in দা য়েংবীয়ু।

মেন্যুএল বিদ অমৎতা লৌজরোই।
DAVP 38101/11/0031/1718



/WANTED

Impulse Marketing is recruiting some hard working candidates for the following post for upcoming new branches in all district of Manipur.

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. District Manager | 16 | Graduate | `10,000-30,000 |
| 2. Asst. Manager | 16 | 10+2 | `10,000-15,000 |
| 3. Field Officer | 30 | Matric | `6,000-10,000 |
| 4. Security Officer | 16 | VIII | `6,000 |

Interested candidates should visit the office between 10:00 am to 4:00 pm for the application form @ of Rs. 200/-.

**Contact No. : 7005707412, 8415042124**

*Sd/-* **HR Manager**
Times Group, Nagamapal.
HL-P/1889/22



**/হকচাং থোঙদা ফুরি মকুপ মকুপ শৌরগা য়াম্না হাক্কচবা, ফিঙৌ য়াম্না চৎপা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, অমাঙথোং ময়াদা পোমথোরকপা, সৌজ নান্থবা ফহনবগী ওজা জিয়া উল-হগপু থাগৎচরি**




ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা হকচাং থোঙদা ফুরি মকুপ-মকুপ শৌরগা য়াম্না হাক্কচবা, মনম নমথীবা, ফিঙৌ য়াম্না চৎপা, পুক নাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা-থকপা য়াদবা, থনগৎলগতা লৈবা, চাবা তুমদবা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা চাং নাইদবা, খোঙ লিক্লা হাম্বা, অমাঙথোংদা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাঙথোংদা য়াম্না চিকপা অমদি খোঙ হাম্বা লোইরগা শাবা, খোঙ হাম্বদা সৌজ নান্থবা, তাং-তাং চিকপা, খোঙদা চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9615256612** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পুমপোকসিমগী কাউজরোই।

***লায়েংফম :*** 1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday & Saturday Open).

*থাগৎচরিবী* **: Kh. Ibeshana**
***Thoubal***
HL-P/0743/22





**অৱাবা ফোঙদোকপা**

সেবা মরূপ অসিগী মেম্বর ওইবীরম্বা **শ্রী ময়াংলম্বম কুঞ্জবিহারি সিংহ**-না ইখঙ খঙহৌদনা মশাগী ময়ুমদা চাউরাক্লা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা হৌখিবা তাং ১৭/০৬/২০১৭ ইংদা ঈশ্বরগী খুয়াদা চঙজখ্রে। মহাক অসি সেবা মরূপ অসিগী Founder Member ওইবতা নত্তনা মরূপ অসিগী চাউখৎ-থৌরাং কয়াদা থৱায় য়াওনা চাউখৎনবা হোৎনবীরম্বা মীশক্লি। মহাক্লা লৈখিদবসি মরূপ অসিগী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি।

ঙসি তিনখিবা মেম্বর পুম্নমক্লা মিনিট ২ তুমিন্না লেপখৎতুনা ঈশ্বরগী মফমদা ঈংনা-তপ্পা লৈরুনবা থৌনিখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ঙসিগী মীফমদা ফোঙদোকখি।

*ফোঙদোকচরিবা :* **President,**
Ibudhou Nongda Lai Pakhangba Seba Marup,
Sagolband Meino Leirak, Imphal
HL-P/1881/22



**/গ্যাষ্ট্রিক ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা গ্যাষ্ট্রিক্লা য়াম্না কন্না নাদুনা মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, তাং-তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ-খুৎ শিথবা, মসল নাবা, পুক নুংশিৎ কাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, থবাক নাবা, শ্বর ফুঞ্জিল্লকপা, হকচাং চোকথবা, খুৎ হাইগৎপা ঙমদবা, হকচাংগী পার্ট খুদিংমক চিকপা-নাবা, চাক চাশিল্লগা তুম্বা ঙমদবা, পুক কংখৎপা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ☎ ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

*থাগৎচরিবা* **: Moirangthem Jimmy Singh**
**Kongba**
HL-P/1649/22



**/ADMIT CARD LOST**

I have lost my Admit Card of HSLC Exam. bearing Roll No. 25079 of 2013 issued by BOSEM and Admit Card of Hr. Sec. Exam. bearing Roll No. 10370 of 2015 issued by COHSEM on the way between Wangjing and Imphal on 20-06-2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Moirangmayum Somokanta**
Wangjing
Wangkhei, ☎ **8575150870**
HL-P/0658/22







HL-P/0659/22 to 28



**ANGELS' COACHING CENTRE**
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

**ADMISSION OPEN - Foundation Course for Class I to X Starts: 22nd June 2017 Time: 4:30 pm - 7:30 pm**
**Foundation Course for Class XI & XII Starts: 22nd June 2017** ***Limited Seat***





BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN / BUS AVAILABLE
9856988840
9402897710
8732022342

HL-B/3932/10/06-12/07